ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯥꯔꯆ ꯳꯱, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

**হুইয়েন লানপাউ**

শগোলশেন, মার্চ ৩১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ০০৮শুবা মশীং


# দ্যুটিদা পৱরগী খুরৌ

## অদুম্মক লৈরগদ্রা

দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোকসি য়াম্না ফজে। মীয়াম্না খঞ্জবা মীয়ামগী মীহুৎনা মীয়ামগী লৈঙাক্লোন খূৎপায়নবা, মীয়ামগী থৌগল তৌববুনি। লৈঙাক্লোন মখলসিনা মালেমসিদা চৎনরিবা লৈঙাক্লোন পূম্নমক্তগী খ্বাইদগী ফবা লৈঙাক্লোন অমা ওইরিবনি। মসিমক্না সব-কন্টিনেন্ট অমনি হায়বমক য়ারবা লৈবাকসিনা লৈঙাক্লোনসিবু শেমদুনা জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০দগী ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা চৎনরক্লিবনি। হৌজিক্তি লৈঙাক্লোন অসি লৈবাকসিদা চৎনরকপা চহী ৭৫ মপূং ফাজিল্লক্লবনি। অদুবু হৌজিক দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোনসি লেপ্তুনা চৎনরকপদগী মসিগী দিমেরিট মক্নি হায়বা য়ারবা লৈঙাক্লোনসিবু মরিং-মরাংননা উহনবা য়াবা অমসুং লান্না ৱাহন্থোক পীবা য়াবা থৌওংশিং মীয়ামগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা চত্থরল্লুব্রা হায়বা ৱাহংসি হংনবা হৌরক্লে। মরমদি দেমোক্রেসিগী মপুং ওইবা য়ুম্বী ওইরিবা লেজিসলেচর, এগজিক্যুটিভ অমসুং জ্যুদিসিয়ারিদা লৈরিবা পূম্নমক অসিগী খূৎশুমল কনানা পীবগে? ৱাহংসিগী পাউখুমদা লাক্লিবা ৱাফমদি দেমোক্রেসিবু মথ্বায় পালহন্দুনা চৎনহনগদৌরিবা কয়াৎ অহুমসিনা মখোয়দা শিন্নবা লৈবাক মীয়ামগী থবক-থৌরমশিং পাঙথোকপদা মখোয়বু খূৎশুমল পীরিবা অঙম্বা, পৱর পায়বশিংনা লান্না শীজিন্নবিবা য়াওরব্রা হায়বসিনি। লেজিসলেচরদসু অদু মঙাই, মখোয়না পুনশিন্নদুনা লিংলিবা খ্বাইদগী ৱাংলবা লো মেক্কিং বোদি ওইরিবা এসেমব্লিদা লৈবাক মীয়ামগী ওইনা ৱারেপ লৌগদবা ৱাফম অমা পুথোরকপদা মীচং-শঙ্গল নাইরক্লবা অমসুং য়োংলৈ-মেলৈনবা মীৎয়েং য়েংদুনা মখোয় মখোয়গী অনীংবা অপাম্বদা খোঙ থাংবা য়াওরক্লগদি লৈঙাকলোনসিবু মশক থিহন্নবা হোৎনরকপনি লৌদবা য়ারোই। জ্যুদিসিয়ারিদা ওইরবসু ৱায়েল চত্থগদবা পরিং অদুদগী নাথৈরক্তুনা লৈবাক্কী চৎনরক্লিবা লোগী প্রোভিজনশিংগী ৱাংমদা চৎলক্লগদি অসুম্মাইনা তৌরকপা জ্যুদিসল ফ্রেটরনিতিগী মীওইশিং অদু মখোয়গী খূৎশুমল পীরিবা পৱর পায়বশিংনা হুমদুনা পুবিবনি হায়দুনা লৌবগী ফীভমদা লাক্লোইদ্রা? থৌদোকশিং অসি এগজিক্যুটিভতসু চপ মান্নে। মখোয়দা লান্না থৌদারগা অরানবা মওংদা শীজিন্নবিরবদি চপ মান্নে। পূম্নমকসিগী মথক্তা দেমোক্রেসিগী মরিশুবা য়ূম্বীনি হায়রিবা প্রেসসু অদুমঙাই। মখোয়গী খূৎশুমলদি গভর্ণমেন্টকী ওইবা ন্যুজ বোর্দ/এজেন্সীশিং নত্তনা লৈঙাক পায়রিবশিংনা পীদে। মখোয় মখোয়গী ফার্মশিংদুনা পীজবনি। অদুবু মখোয়গী মরক্তগীসু লৈঙাক পায়বা অঙম্বশিংগী ফুরিৎখাওদা কুন্দুনা লৈবা য়াওরক্লগসু লৈঙাক্লোনসিগী মশক থীহন্নবগী মরম অমা ওইরকই।

লৈঙাক্লোনসিগী মরু ওইবা থৌদাং লৌগদবা মরু ওইবা শরুকশিং অসিগী মায়কৈদগী থৌওইনা তৌদ্রবসু মখোয়বু লান্না শীজিন্নবিবা হেক হেক য়াওরক্লগদি অদুগুম্বা লৈঙাক্তু চিন্দনা অমা ঙাঙবা, খূৎনা অমা তৌবা, মীয়ামগী থৌগল তৌনবা থৌগল্লোইশিংগী মায়খুম উপ্পনি শোয়দনা হায়নরক্কনি। দেমোক্রেসিগী ঙাক্লৌ ওইরিবা শরুকশিং অসিনা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরম পূম্নমক লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসননা অমসুং অতৈ মরী লৈনবা লো কয়ানা য়াচল-লাক্লিবনি। মখোয়না তৌবা য়াবা অমসুং য়াদবশিং মচা খায়না পীরিবনি। তৌরোইদবা থবক্তা খূৎ থাদুনা তৌশিল্লক্লগনা মরালগী মতুংইনবা চৈরাক ফাওবা পীরিবনি। অদুবু পূম্নমকসি কান্থোক্লগা মখোয়বু খূৎশুমল পীরিবা অঙম্বশিংনা থৌজিন্দুনা, ইনশিন্দুনা নৎত্রগা কিহন্দুনা তৌরোইদবা অরানবা থবকশিং তৌহন্নবা হোৎনরকপদি চুল্লোই। হায়রিবা ফীভমসি মীয়ামগী লৈঙাক পায়বশিংগী মনুংদগীদি খরা তোয়না হঞ্জিন-হঞ্জিন খূৎপায়নরক্লিবা মীহুৎ কাঙবুদনা হেন্না থোকহল্লকই। মসিনা মরম ওইরদুনা লৈঙাক্তুবু মশক থীহনবদা নত্তনা থোরকপা, থোকহন্নীংদবা থৌদোক-ৱাথোকশিংগী মশিংসু হেঙ্গৎহল্লকই। মরম অসিনা লেজিসলেচর, জ্যুদিসিয়ারি, এগজিক্যুটিভ অমসুং প্রেসকী কম্যুনিতিদা লৈরিবশিংনা মখোয়গী খূৎশুমল খক নত্তনা ওইজ-ওইথক খরগীদমক মখোয় মশা মশানা পাঙথোক্কদবা, পাঙথোকফম থোকপা মথৌদা কৈদৌনুংদা কমপ্রোমাইজ তৌরোইদবনি। অশেংবা অচুম্বা ঙাক্তা তৌগদবনি। মসিদা মশাগী সর্ভিস মাঙগনি, খূৎশুমল ফংলরোই হায়বগী নুংনাংবা তৌরোইদবনি। য়াদে হায়বা খঙহনগদবনি। হিংনবগীদমক্তদি অতোপ্পা পান্থে অমা থিরবসু য়াই হায়বা ৱাখলসি চেনগদবনি। মসি তৌরবতদা অশেংবা দেমোক্রেসিগী লংলবা মশক উবা ফংগদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯

১) অঙাংশিংগীদমক্তা ৱারী-শৈরেং মখলদা ইবা **“মেলাদা উৎখিদ্রবা সনারৈ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **“মণিপুরগী চীংনুং মানুং, পাৎ লৌবুক অমসুং চম্না লেঞ্জবা পুন্সিগী অমম অঙানগী মচু পূম্নমক মহাক্কী খূৎইদা ফোঙদোক্নবা লাক্নরি। ৱাহৈ লীক্না শীজিন্নদুনা খজিক্তনা য়াম্না ফোঙদোক্নবা হোৎনদুনা মতাং অসিদা বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী ৱারীমচাশিং নীংশিংহল্লি।”** শক্লাইরবা ক্রিটিক এলাংবম নীলকান্তনা মণিপুরগী শক্লাইরবা ৱারীমচাগী অইবা অমগী ৱারীমচাশিংগী মরমদা হায়রম্বনি। ৱারীমচাগী অইবা অসি কনানো?

৩) ***“ঐগী থৱায় কিশিন্দুনা পায়রি নঙনা/নঙগী খুবাম্নুংদা, হে অশিবা!/মঙক্তা থৌরী থুরবা চৎনীংবা মফমদা চৎপা ফংদ্রবা/থৌরীগী মচিন অমনা মহাক্কী খূত্তা পায়রিবা/তাউবা হূই অসিগা মান্নে ঐগা। ঐগীনি হায়ববু/ঐনা কন্থোক্লিবা অহাঙবা অসিখক্তনি।”*** শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৪) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী **“গীতাঞ্জলি”** অসি মণিপুরীদা মী কয়ামুক্না হন্দোকখ্রে। অহানবা খূৎনম ওইনা মণিপুরীদা হন্দোক্তুনা ওক্টোবর ১৯৯৮দা ফোঙখিবা **“গীতাঞ্জলি”** অসি কনানা হন্দোকপনো?

৫) ***“মণিপুরী লোক সাহিত্য (মৈতৈ খুন্নাইরোল ফুঙ্গা ৱারী)”*** অহানবা শরুক, হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৮গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (২,৩,৫)
২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৩,৫)
***৩) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৫)***

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩৮গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৩৮গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৭১

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

ময়াম্না চাওরাক্না খঙবীরে, শুমাং লীলা অমগী মনুংদা লৈরিবা কুম্মৈ মচা মচাশিংসে। নীংশিংদুনা তমজরিবা খরা অসিদি খজিক্তনি। মসি নত্তবা য়াম্না লৈরিবনি। শুমাং লীলাদি মনুংদা চঙশিন চঙশিল্লগা হেন্না হেন্না নুংঙাইরিবনি। মথক্তসু ঐনা পঞ্জখ্রে। লীলা পুথোকপা, লীলা শান্নবা, লীলা য়াওরিবা ময়াম অসিগী ৱারী অমদি মনুংদা লৈরিবা প্রোব্লেমশিং অসিনা অমনি। মসিসু ময়াম্না উদবা প্রোব্লেম ঙাক্তনি। অমরোমদা ভাবোক মরক্তা লৈরিবা, লীলা কৌবশিংগী মরক্তা লৈরিবা, লীলা য়েংগদৌরিবশিংগী মরক্তা লৈনরিবা নুংঙাইবগী অমদি ইখৌ লাংবগী ৱারী কয়া অসিসু নুংঙাইখ্রবা মথেল অমনি। ঐ ইশামক্তি আর্টিষ্ট অমসু ওইজবা অদুগীসু মথক্তা ওদিএন্সশিং অসিগী মুদ, মখোয়গী দিগ্রি ওফ প্লেজর, ময়াম অসিসু মুন্না য়েংজরকপনি। মসিদা নত্তনা খরা সেরিয়স ওইবা মীৎয়েং অমরোমদা লাক্লগা, ওদিএন্সশিং অসিনা শুমাং লীলা প্লে অমা উরুবগা, মখোয়দা ফাওরকপা একাদেমিক সেন্স, ফিল্লিং, থোটস অমদি আইদিয়া কয়া অদুসু য়াওনা হংবা, থিবসিসু ঐদি য়াম্না পামজরকখি। অদুনা মখোয় ময়ামগী কমেন্টসি য়াম্না মুন্না সেরিয়সলি লৌশিল্লি। অদুনা মতম মতমগী ঐখোয়না পুথোকখিবা লীলাশিংদা ওদিএন্সশিংনা করি খনখিবগে অমদি মদুনা খুন্নাই অদুদা করি অনৌবা আইদিয়া অমা পীখিবগে হায়বসি নৈনরকপনি। অদুননি ঐনা ওদিএন্স ফীদবেক ফোর্মেট অমা শেল্লগা মদু ওদিএন্স খরদা য়েন্থোক্লগা মখোয়দগী দাটা খোমগৎখিবদু। মদুনা মখা তানা অনৌবা প্লে অমা পুথোকপদা হেন্না মতেং ওইখি। ময়াম্নদি অঙাওবনি হায়বিখিবা অদুগা মদুগী কান্নবদি য়াম্না লৈখিবা, থোইদোক্না ঐগা পূন্না লীলা তৌমিন্নবশিংনফাওবা মমুৎ তানা খনখিদবা পরিং অমদা ঐনা চঙশিনখিবদু।

ওদিএন্সশিংসিসু মখল মখলনি। কনাগুম্বা খরনা ইমুং মনুংগী পরিংদগী হেন্দোক্লিংদনা লৈরিবা প্রোব্লেমশিং অমদি সোলভিং সোল্যুসনগী মতাংদা ঙাওজবা ময়াম অমা লৈ। খরা অমনা, সোসল চেঞ্জ অমা পুরক্নবা, মীৎনদি উদবা অদুগা মীওইবগী পূক্নিং ৱাখলদা য়াম্নদি মথৌ তাবা, ইশম শম্না হায়রবদা ফুন্দ ফোর থোট হায়বা অদুগী মচাক পীবা ঙম্বা লীলা রোমদা হেন্না থৱায় য়াওশিল্লি। খরা অমনা হৌখ্রবা হিষ্টোরিদা লৈরম্বা নেসনেলিজমগী ওইবা ফিলিংস ময়াম অদু ঙসিগী মতমসিদা রিলিভেন্স অমা পীরগা এক্সপরিমেন্ট তৌবা প্লেশিং য়েংনীংই। খরা অমনা মপান লমগী থৌদোকশিং পুশিন্দুনা শ্বাইদা থেল্লগা, শ্বাইগী মীশিংদা মদু উহন্দুনা করি অনৌবা আইদিয়া অমা পীবা ঙমগদগে হায়বা প্লে য়েংবা পাম্মী। পূম্নমকশিং অসি লোইনমক্তি মরু ওই। অদুবু মদু খুদিংমকশিং অদু প্লে ওইনা পুথোকপদা কয়ামুক য়াম্না খুদোং চাবা চাদবা হায়বদু মুন্না খন্দবা য়াদে। অমমরোমদা শুমাং লীলা হায়বসিগী ওদিএন্সকী কম্পোজিসন অসিসু য়েংদবা য়াদে। অপিকপা অঙাং, লাইরিক হৈবা হৈতবা, অচৌবা থবক তৌবা কাঙবু, থবক তৌদবা নোংমগী শুরগা চাজবশিং, লৌমী-শিন্মী পূম্নমকশিং অসিগীসু য়েংদবা য়াদে। ওদিএন্স খুদিংমক ঐখোয়না পীজনীংবা মহাউ অমা পীজবদা চপ মান্ননা মহাউ অদু ফংমিন্নবা ঙম্লোই। মরমদি হেক হৌরকপদগী হৌনা শুমাং লীলা হায়বসিগী মচৎ অমা তোপ তোপ্পা লৈজরকই। হায়রিবশিং অসি মমুৎ তানা নৈনহৌদবা য়াদে। শুমাং লীলাদা ওদিএন্স লৈত্রবদি লীলাদুগী কান্নবা লৈতে। অদুনা পূম্নমকশিং অদুগী মহাউ খজিক খজিক্তং ওইরবসু হাপ্লগা করি করম্বা লীলা পুথোক্কদগে হায়বা অসি অচৌবা ৱাহং অমনি। পূম্নমকশিং অসি য়েংলগা ঐহাক্না মপূং ওইনা চেঞ্জ চোঙজরিবা পার্টিদা মখল কয়াগী মহাউ পীবা ঙম্বা লীলাশিং পুথোকখি। ইফোং ফোংদনা ওমদুনা লৈরিবা খুন্নাই অসিগী অথুপ্পা মফম তারবা মীয়ামগী অনৌবা পুন্সিরোল লোঞ্জান্ননা লৈরম্বা ৱারীদা মপূং ওইবা মখলগী লীলা (ঈ থক্লবা কংলাশা) পুৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা ৱারী (চহী তরেৎ খুন্তাকপা), ফেসনদা য়ূম্ফম ওইরগা সোসাইটি অসিদা হোংলক্লিবা মশক্কা ওন্ন-তৈননা পাল্লিবা য়ূম্বাল পুন্সিদা য়ূম্ফম ওইবা (মিস শংবান্নবী), পেন্দ্রবা নহাশিংগী ৱাখল্লোন্দা নীংতম্বগী মুভমেন্ট, মসিদা থেংনরিবা মীয়ামগী অৱাবা, মীয়ামগী ৱাখল্লোন, মসিগী তঙাইফদবা কয়াশিংদা য়ূম্ফম ওইবা (লানপুংগী পুঙখোল/থৱায়না পুন্সিগীদমক/শরাক তমখ্রবী/হয়েংগীদমক), স্পোর্টসকী মুভমেন্টতা গভর্ণমেন্টনা লৌরিবা তয়াঙ তয়াঙবা ৱাখল্লোনশিং অদু শেমদোকহন্দুনা মণিপুরদা স্পোর্টস চাওখৎনবা অমদি শান্নরোয়শিংবু মশক খঙবীনবা লৈঙাকপশিংদা খুদম ওইনা উৎপা য়াবা মখলগী প্লে (নুংশিবৈ চৈনাখোল), শুপ্পগী ইন্টরটৈনমেন্টতা মপূং ওইরগা খুন্নাইসিদা মথোং মরম খঙদনা অনীং অনীংবদা তৌরক্লিবা সোসল সিষ্টম কয়াবু মথক মখা ওলহল্লিবা শক্লোন কয়াগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা (ভালোহে পেন্মা/খোইমুগী দশা/য়ানশিনখ্রবা ঈনচিংবা কয়া মথং মথং। মসিদগী হেন্দোক্তুনা মণিপুরী শুমাং লীলাদা তশেংনা মায় পাকখ্রবা ‘অবিরখান’ হায়বা লীলা অদুমক রিমেক তৌদুনা ঐগী পার্টিনা মীয়ামদা লান্থোকখি। মদুগীসু অনৌবা মহাউ অমা পীনবা চাংয়েং ওইনা চত্থখিবা প্রদক্সননি। মতম মতমগী ওইনা প্লেরাইটশিংগা মমুৎ তানা ৱারী শানবা, পাল্লিবা পান্দমলোমদা য়ূম্ফম ওইহনবা অমদি মদুগী পরিংদা ঐখোয় আর্টিষ্টশিং অসিনা করি করম্বা আইদিয়া খরা মীয়ামদা পীবা ঙমগদগে হায়বা অদোমদা প্লে পুথোকপদা ঐমক্তি মায় কন্না ওনশিল্লকখি।

শুমাং লীলাদি ওদিএন্সকীনি। মসিগী মপুদি মীয়ামনি। লীলাগী মপু ওইরিবা মীয়াম্না য়াদ্রবদা শুমাং লীলা মতিং লৈবা ঙম্লোই। অদুনা অনৌবা আইদিয়া পীবা ঙমগনি হায়না খল্লগা পুথোকখিবা লীলা কয়াসু মায়থীবা য়াওখি। মায় পাক্তনা ঙাক লৈবদি য়াদে, অদুনা অকা অকুম নাইবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। অদুনা ঐখোয়না লোইনমক মীয়াম্বু খোনবা ঙমগনি হায়বা ৱাফম অসিসু অরানবনি। অদুনা ঐখোয়না শোন্থরকপা মতমদা অতোপ অতোপ্পা পার্টিশিংনা অমুক লিৎখৎখিনবগী তাঞ্জা অদুম ফংখি। ঐখোয়না লীলা অমা পুথোকপদা খরা পাঙদ্রবসু মথং পুথোকপদদি শীংনবা অমগা লোয়নননা পুথোক্নবা হোৎনৈ। মসি পূম্নমকশিং অসি মতম মতমদুগী আর্টিষ্টশিং অদুগী মখাসু য়াম্না পোল্লি। আর্টিষ্টশিং অদুনা পুকচেল মান্নদ্রবা, থৱায় য়াওদ্রবা মতমদা লীলা শীথরকপা হায়বসিদি থোইদোক্না অঙকপা ওইদে। পূকচেল তিন্ননা তৌসি হায়বদা ৱাখল মান্ননবু চৎলবদি অমুক মায়থীরবসু শোয়দনা মায় পাক্নবগী মরম ওইগল্লি। শুমাং লীলাগী আর্টিষ্টশিং অসি ঐগী মমাঙগী এদিসনশিংদসু হায়রপ পঞ্জখ্রে, ইগোসি অসুক্কী মতিক ৱাংগল্লি। ইগো হেনমনবসিনা মখোয় মশাসি করিগুম্বা মতমদা মশক খঙজরক্তে। ইগো অদুনা থুমহৎখিদুনা মতম চূপ্পদা মহাক অদুম ফাওদুনা নৎত্রগা মীয়াম্না য়াদুনা অসুম লৈগনি হায়না হেক হেক খনগল্লি, মসিমক্তি য়াম্না অরানবা ৱাখল্লোননি। করম্না ইগো লৌথোক্কদগে হায়বসি আর্টিষ্টশিং অদুনা নোংমত্তা খন্থদবদৌনা তৌই। ঐখোয়দগী হেন্না তোনবা মী লৈতে, ঐখোয়দি করিসু খঙদ্রিবনি হায়বা ৱাখল অসিনা মশানা মশাবু শক খঙজবা, মীঙোন্দা নোল্লুকচবা অমদি মখা হেন্না তমথদুনা হৈনীংবগী ৱাখল্লোন অদু পোকহনবা ঙল্লিবনি। অয়াম্বা আর্টিষ্ট খরদি, মানা খঙলিবা অদুদগী হেন্না অখঙবা লৈতে হায়না খনবসিনা অয়াম্বা ওইগল্লি। মহাক শিবা নাইররোইদবা অমগুম্না খনগল্লি। অদুনা মহাক্না তৌরিবা খুদিংমক মীনা য়াগনি হায়বা অসিনা মাঙ থাবসিনা মহাকপু খুরৌ লৌদুনা য়াম্না তুগল্লি। শুমাং লীলা য়াওবা হায়বসি, পীথোরকপা মতিক ময়াই খরনা অদুম হেক্তা য়ারবোই খনবসিদি য়াম্না লাল্লি। আর্ট হায়বসিবু তম্বগী লোইবা নাইব্রা? পাক চাওখ্রবা তম্বগী লোইবা নাইদবা অসিদা ঐ মঙাইরে হায়না খল্লগদি মশা মথন্তনা মাঙজবা তাবনি। অদুনা শুমাং লীলাদা ফাওর-ফাওরবা আর্টিষ্ট কয়া অনৌবা আর্টিষ্টশিংনা মনাক্তা চঙদুনা করিগুম্বা খরা তমজগে, খঙজগে হায়না চঙলুবা মতমদা করিসু তাকপীবা অমদি তম্বীবা ঙম্বগী থাক লৈতবনা অয়াম্বা ওইরকই। রাইটরনা ইবা ৱারীদা য়াওবা কেরেক্টর অদুগী লোন অদু ফারগা ফিজেৎ খরা হোংদোক হোংজিন তৌরগা মানা তৌজবা এক্টিং খরা অদুনা মীয়াম্না পঙপেন্দা পেনখ্রগা অফাওবা হায়বদু ওইরকপা ওইনা থেংনৈ, থোইদোক্না মদুগী মনুংদা লৈরিবা এক্টিংগী কাঙলোন অমদি মনুং থিৎপা থিওরিদি অমত্তা খঙনরমদে। অদুনা অনৌবা লীলা অমগী ৱারী শানবা মতমদা থোইদোক্না পূক্নিং চঙনদে। ময়াম্না অদুম ফনবা খন্নবীয়ু হায়বরোমদা লৈবসু য়াম্না থেংনৈ।

আর্টিষ্ট অমা হায়বসিদি ক্রিএটিভিটিগী চাং অসি য়াম্না ৱাংনা য়াওগদবনি। ক্রিএটিভটি য়াওদ্রবা আর্টতি মপূং ফাদে। অনৌবা পুথোকপসু ঙমদে। অনৌবা হায়বসিদি মাগী ক্রিএটিভ অদুগী এক্সর্সাইজ অদুগী মখা য়াম্না পোল্লিবনি। অদুনা হৌজিক্কী মতম অসিদদি খরা মনুং চঙশিন্না মমুৎ তানা হীরম খুদিংদা খঙনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। নৌনা থোরল্লিবা আর্টিষ্টশিংনসু মানা মানা তৌরিবা হীরম অদোমদা চেকশিন্না তমশিন্দুনা মশানা তৌজরিবা আর্ট অদু মশক মুন্না খঙবা অমদি মহাক্কী ক্রিএটিভিটি অদু তোয়না মথৌ শঙবা য়াম্না কান্নগনি হায়বসি থমজগে। ●

# রুসিয়া-য়ুক্রেন ৱারনা টাইৱান্দা করম্বা ঈথিল - ২

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

হৌখ্রবা য়ু এস এগী থৌওং কয়াদা য়ু এস এনা মশাগী কান্নবা ফংলোইদবা নৎত্রগা ফংলক্তবা মতমদা মতেং পীখিদবগুম, হৌজিকসু য়ুক্রেননা করি করম্বা অচৌবা মতেংবু ফংখিবগে শেল খরা, দ্রোন খরা পীবা নত্তনা। হৌজিক য়ুক্রেনগী মীচম মীয়াম খম থেংনা ৱানরে। য়ু এসনা করি তৌবা ঙল্লিবগে রসিয়াবু হেন্না হেন্না শাউহনবা নত্তনা। ইকুই কুইদ্রি কান্নবা ফংলক্তবদগী অফঘানিষ্টান থাদোক্তুনা চৎখিবা। থৌওংশিং অসি উরুরগা টাইৱানগী মতেং করিসু পাংলক্কনি হায়বসি থাজনদে টাইৱানগী মীওই অয়াম্বনা। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু থাজরুবদি অপঙ তাদুনা তোকহৌগনি। বৃটিশ এম্পাইয়রনা ইন্দিয়া, মণিপুর, বর্মা য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়া মখোয়গী কোলোনিএল রুলগী মখাদা থমদুনা মখোয়না লন-থুম পূম্নমক কাঙশুম শুমদুনা লৌথোকখ্রবা মতুং লৈবাক কয়া মচেৎ মচেৎ থুগাইদুনা থল্লম্বা অদুদগী করম্বা অফববু থল্লম্বগে। মসিমক ঙসি য়ু এস এনা শান্নরি মখোয়গী কান্নবখক য়েংদুনা মালেমগী মফম কয়াদা মখোয়গী মতমগা চুনদ্রবা লানগী খূৎশু খূৎলায় কয়া য়োনশিন্দুনা লোয়ননা হীদাক য়াশিল্লবা চিঞ্জাক কয়া অমা য়োশিন্দুনা।

হৌজিক হৌজিক য়ুক্রেনদা ওইরিবা ফীভম অসিদগী টাইৱানগী লৈঙাক্না পাড়া কয়া তমশিনফম থোক্লে। য়ু এস এ অমদি য়ু এস এগা চৎমিন্নবা লৈবাকশিংনা শোয়দনা মতেং পাংলক্কনি হায়দুনা রসিয়াবু থেঙ্খাং কয়াদা শাউহল্লুবা অদুনা রসিয়াসু হেন্না তৌগে য়াওনা তৌরকপনা হৌজিক্তি য়ুক্রেনগী মীওই কয়া অৱাবা তারে লোয়ননা অকায় অতোয় কয়া অমসু থোক্লে। মসিমক টাইৱান হায়রিবা ঈথৎ অসিদসু থোকপা য়ারি, মরু ওইনা লৈঙাক্কী ওইবা য়ূম-কৈ, লন-থুমনচিংবদা। য়ুক্রেনগী ফীভমসি থোকহল্লোইসি হায়রবদি টাইৱান লৈঙাক্না লৈবাক অনীগী মরক্তা খূৎয়েক পীনখিবা, য়ানখিববু, চে চাংবু ইকায়খুম্নবা উৎকদবনি। অদুদি নত্তদুনা য়ু এস এনা অমদি য়ু এস এগী মীচংশিংনা শোয়দনা মতেং পাংবীরক্কনি, কনবীগনি হায়না থাজদুনা চাইনাবু থেঙ্খাং থেঙ্খাং শাউহল্লবদি পাড়া তম্বীবা মতম ওইরে হায়দুনা চাইনানা লানগী খূৎশু খূৎলায় শীজিন্নরক্লোই হায়বা লৈতে। মসি খঙনা টাইৱান্না চৎকদবনি নাকল অনীমক্তা ফনবা।

নীংতম্না হিংনীংদবা করম্বা লৈবাকপু লৈবগে। নীংতম্বা পাল্লিবনি হায়দুনা মতিক মপা, মতম চাদনা রসিয়াগুম্বা, চাইনাগুম্বা নৎত্রগা য়ু এস এগুম্বা অচৌবা, অকনবা লৈবাক অমগী মায়োক্তা লৈবাক অমনা নৎত্রগা লৈবাক খরনা মতেং শোয়দনা পাঙলক্কনি খন্দুনা লৈবাক অমবু শাওহল্লুবা হায়বসি লৈবাক নুংশিবনি, থৌনা পীবনি হায়না লৌবা লানগনি। মসিদি শাওহল্লুরগা করি ফল/রিজল্ট ওইরক্কনি হায়বা উবা ঙমদবনি হায়না লৌগনি নৎত্রগা মশাগী মীংচৎ পুরকপা অমদি পোলিটিকেল পৱার পায়দুনা লৈনবা থৌরাংনি হায়না লৌনখিবসু য়াই। হৌজিক ওইরিবা য়ুক্রেনগী ফীভমসিদা মাঙজরিবসি কনানো হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না উবা ফংলে। ৱাজাও ঙাঙথোক্লুবা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টদি হকথেংননা অৱাবা থেংনদ্রি, মীচেন ওইনা চেনদ্রি। অদুবু মীচম মীয়ামদি মখোয় মখোয়গী থবকসু মাঙজরে, ময়ূম মকৈ কয়াসু অতেক অকায় নংলে। ময়ূম ময়ূমদা লৈবা ঙমদদুনা লান চেন্নরে মপুন্সি হিংনবা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা রেফ্যুজি ওইনা। চানীংঙাই থক্লিংঙাইসু নিংথি নুংঙাইনা ফংদবা কয়া য়াওরে। মসি য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টনা য়ু এস এ অমদি নাটো লৈবাকশিংবু থাজরুবদগীনি।

ঙসি মীচম মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি করিগুম্বা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট, Vladimir Alexandrovich Zelensky না য়ু এস এ অমদি নাটোগী ৱা (মরু ওইনা য়ু এস এগী) তারমদ্রবদি লান অসি থোক্লল্লোই অমদি মীচম মীয়াম্না অৱাবা নংলল্লোই। য়ু এস এনা মখোয়গী কান্নবা য়েংদুনা শান্নরিবা লীলা কয়া অসি খঙনা উনা উনা লৈরি ঙসিসু অশোনবা লৈবাক কয়া য়ু এস এবু থাজদুনা য়ু এস এগী ৱা লৌবা। ঙসিসু লেপ্তুনা লাউরি য়ু এস এনা পুতিনগী মায়োক্তা। লৈবাক অমগী প্রসিদেন্ট অমা ওইবা হায়বসিসু য়ু এস এগী মখূত্তা লৈবগুম ভ্লাদিমির পুতিননা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইফম থোক্তে হায়না য়ু এস এগী প্রসিদেন্ট বাইদেননা মহাক্কী স্পিচ অমদা ফোঙদোকখি। হায়বদি, য়ু এস এনা পামদ্রবদি ভ্লাদিমির পুতিন রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইবদগী ফম লৌথোক্কদবনি হায়বগা চপ মান্নে হায়বনি। মহাক্কী ৱাফমসি য়ু এস এগা চৎমিন্নরিবা নাটোগী মেম্বর ওইরিবা লৈবাক কয়াগী লুচিংবশিংনসু য়ানীংদবা ফোঙদোক্নরক্লি। অসিগুম্বা য়ু এস এগী উশিত্তবগী ৱাঙাঙ শঙাঙ অসিনা মরম ওইদুনা পুতিননা হেন্নদুম অকন্নবা মওংদা লান্দারকপা য়াই হায়না মিপাইনরি।

ময়াম্নসু হেন্না খঙবী উবিরল্লগনি মদুদি য়ু এস এনা লৈবাক কয়াদা খূৎশু খূৎলায় য়োনশিনবা, মীচং শঙ্গল চঙশিন্দুনা লৈবাক কয়াবু তোখাই তোখাই থুগাইবা, লৈবাক অমগী প্রসিদেন্ট অমবু লৌথোকপা, হাত্তোকপা, য়ু এস এবু শৌগৎপবুনা প্রসিদেন্ট ওইহনবা অসিননচিংবা থৌওং কয়া চত্থদুনা লাক্লি। অদুগা মমৈথংদা মখোয়দা থোইদোকপা কান্নবা ফংলক্তবা মতমদা য়ু এস এগী মিলিটরি লৌথোক্তুনা য়ু এস এবু শৌগৎতুনা লাকপা পোলিটিকেল পার্টি নৎত্রগা কাঙলূপশিং অদুগী করিসু খন্থবীবা তৌদনা য়েক্নবগী মখূত্তা হুন্দোক্লল্লগা চৎখিবা অসি ময়াম্না উবীরে। য়ু এস এগী অসিগুম্বা থৌওং অসি নোংপোক থংবা য়ুরোপতা, অফ্রিকাদা, মিদল ইষ্টতা অমদি এসিয়াদা থোক্তুনা লাক্লি ঙসি ফাওবা, মরু ওইনা সোভিএট য়ুনিয়ন কাইখ্রবা মতুংদগী। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা অসিগুম্বা থৌওং অমা হায়রগদি হন্দক্তা আফঘানিষ্টান্দা থোকখিবা অসিনি। হৌজিক হৌজিক্না য়ুক্রেনদা থোক্লি। য়ুক্রেনগীদমক লেপ্লবদি য়ুক্রেনগী মিলিটরিগা খূৎশম্নদুনা রসিয়াগী মায়োক্তা লান থেংনবা য়াওরোদনা, মদুসু তৌদে। শেল খরা পিশিল্লগা, দ্রোন খরা পীশিল্লগা ৱাজাও ঙাঙদুনা লৈরিবা অসিনি। অসিগুম্বা থৌওং কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা য়ু এস এগুম্বা লৈবাক অসিদা থাজরুরিবা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট অসিবু মরৈবাক, মরৈচাশিং নুংশিবা হায়গদৌরিব্রা, মীংচৎ অমদি পৱার পাম্বা হায়গদৌরিব্রা, নৎত্রগা লাপ্না উবা ঙমদবা হায়গদৌরিব্রা, পাবিরিবা ময়াম্না লেপ্পীরো।

লোইশিল্লকপদা, ঙসি রসিয়া-য়ুক্রেনগী ওইরিবা লানগী ফীভম অসিদা টাইৱানগী চাইনাদগী তোখায়না লৈবা পাম্বা লৈঙাক (Democratic Progressive Party) অসিনা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টগুম য়ু এস এবু থাজদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন, থেঙ্খাং থেঙ্খাং চাইনাবু শাওহনবা লেপত্রবদি টাইৱানসু য়ুক্রেনগুম অৱা অনা নংলোই হায়নীংঙাই লৈতে। টাইৱানগী মীচম মীয়াম্না পাল্লিবদি চাইনাগা চৎমিন্নদুনা শেল-থুমদা চাওখৎমিন্নদুনা নুংশিনা লৈমিন্নবা অদুনি। হোয়, নৌরিবা, ৱাখল তাদ্রিবা নৎত্রগা পৱার পায়দুনা লৈনীংবা মীওইশিংসু য়াম্না লৈরি চাইনাগা চৎমিন্নবা পামদবা। তশেংবগীদি টাইৱান্দা লৈরিবা মীওইশিংসি চাদা ৯৭তি চাইনাদগী লাকখিবা চাইনিজশিংগী চাদা নাওদা ঙাক্তনি। ফত্তবা মচা মশু খক্তনা মমা মপাবু থাদোক্তুনা তোঙান চানীংবনি। অফবা, ৱাখল তাবা মচা মশুশিংদি মমা-মপাগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা পাম্বনি। মরম অসিনা হৌজিক ওইরিবা রসিয়া-য়ুক্রেনগী লান্দা অতেক অকায় অমদি অৱা অনা নংলিবা ফীভম অসি উদুনা টাইৱানগী পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা অচৌবা পাড়া কয়া তমদুনা য়ু এস এগী হিগাই ৱাদা থাজবা তোক্তুনা চাইনাগা নুংশি চান্ননা চৎমিন্নবনা লৈবাক অনীগী অফবা ওইগনি হায়বসি খঙবা, উবা ঙল্লসনু। নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবনা য়াইফরে। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৮গী পাউখুম

১) মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিকনি ‘খুরুমজবগী অথুপ্পা মহাউ (ভক্তি রস)’ হায়বসি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা কৱব্রম নীলকান্ত সিংহ; (সিঙ্গেরবন্দ, কাছারদগীনি); লাইরিক্কী মখল-ধর্ম্মগী লাইরিকনি; অহানবা ফোঙবা, ২০১৫ ইং।**

২) **“লমকোয়বগী খোর্জৈদগী”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো, করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:-অইবা ঐচ নন্দকুমার শর্ম্মা; লাইরিক্কী মখল-লমকোই ৱারী; অহানবা ফোঙবা, ২০০৬ ইং।**

৩) অয়েকপম শ্যামসুন্দরগী ***“মাইনু পেমচা”*** হায়বসি ইংরাজিদা কনানা হন্দোকপগে? **:- ইংরাজিদা হন্দোকপা - এল বীরেন্দ্রকুমার শর্ম্ম; অহানবা ফোঙবা, মে ২০১০।**

৪) ***“মালঙনা লৈখোক্তা হংখি/কদাই ঙরাংগী শিঙ্গারৈ,/লেমহৌবা উফুলদা হংখি/’সিরা ঐগী মপোক্তো।।/কল্লবা উনানা ৱাকৎলি/করিগী কেলহল্লি ঐবু/শিন্নরম্বনি উপালদা/য়েন্নিংথানা হল্লক্ত্রিফাও।।”*** শক্লাইরবা শৈরেংবা অমগী শৈরেং মতেকনি। শৈরেংবসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো? **:- শৈরেংবা- নোংমাইথেম কিরনকুমার; লাইরিক্কী মমিং - ঐ ঈশৈ শৈরেং; লৌথোরকপা শৈরেং - মালঙনা লৈখোক্তা হংখি (লা: ২২); অহানবা ফোঙবা, এপ্রিল ২০০৬।**

৫) ***“খোইয়ম অশীবদি, লয়শেম লয়রোই ঙমদনবগী, কুরু শিদবা সনা মখোঙ-খা চেংলৌ মায়থোং-ওন, কুমচীং হিগোক লীওংনা, য়াথং পাউমেনজঙমদা, শমু খোঙবী লয়খৈ য়েংনা ৱাইথুংলববু, নমু মীপূক খঙবা লাইয়িংথৌনা, মপারী শককোয় চিংনা য়েংনা শানখঙলুরবগী, পারী অতোনবা, শংলৌ মথৌরাংনরিঙৈনে, নিঙখল্লুরবগী অমরক ৱাহমখিয়ে।”*** ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো? **:- লৌথোরকফম লাইরিক - সনামহী লাইকন (লা: ৬), সম্পাদন তৌবা - শ্রী ভোগেশ্বর; অনীশুবা খূৎনম : ১৯৯৫ ইং।**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।